ৱারী ককনাউ

থম্বাল লৈখোক

ইচিন থী হায়নি, ঐখোয় তম্ফাস্নানা থম্বাল লৈখোক্কী ফনেক ময়েক নাইবী অমা শেৎলগা মোইরাং ফিজন মচা-মচা চনবা মুগা ফি অমগা ইল্লগা, লাইবক্তা মুরপ তৌবা লৈশা নম্মগা, শেঙ্গাও ওই - বেগ ওই তৌবা অমা ওইথংবা খুদাংদা য়াল্লগা মমান্নবীগী লুহোংবা য়াওনিগাইনা থোরকপা নুমিত্তুদি, হায়-হায়, ঐ ৱান্থুগে তৌবনি, শাথীনা ফজখ্রজাৎনি। ঐমক্না অদু য়ৌনা ঙাওরদুদদি অতৈ মীনা উরম্মদি কমাই তৌগদগে খনবদা ঐ ঙাইহাক্তুদা কোকসে ফুঙ লাওনা ঙাওরকই। তুগে তৌই। তাঞ্জাদুদা, ঐ কোক ঙাওবা য়াদেনা হায়না খল্লগা তুং-মাঙ হন্না-হন্না য়েংই। পাখঙদা নত্তনা লৈকায়গী লম হেনবা নুপী থিবা কনা-কনা মাবু উবগে হায়না। ঐগী ৱাখলসিনা মথোং চাদ্রিসু, নুংদাংৱাইরমগী ঙাক্ল্রানবা ফজখ্রবা, নুমিদাংৱাইরমদু তম্ফাস্নাবু কনামত্তা উদনবা পুংমম হেক মমহন্নীংই। অদুবু য়াবদি নত্তে। খল্লিঙৈদুদা তম্ফাস্নানা নোকফেৎ-নোকফেৎ তৌদুনা ঐ তম্না নোমহৌ-নোমহৌ চঙশিল্লকই। ঐগী মীহুনসি অসুম-অসুম মখোল হৌবা হেল্লকই। ইশাসি চেঙ-খৈবগুম নিকপা হৌরকই। তম্ফাস্নানা উবদা কমলাক্কসি নিক্কে-নিক্কে হেক্তা তৌবা। অদুনা ঐনা হায়গে খনবা ৱাশিংসে, হায়বা ঙমদনা অদুম তোকপা, য়ূমদা হল্লক্লগনা অহিং তূম্বা য়াদবা।

নহানখৈগা ঙসিগা অমুক খেন্নরিবনা, তম্ফাস্নাসে নহানখৈ উবগা ঙসি উবগা ফজনা খেন্নবসিনি। অদুনসু খরা হেন্না ইশাসে চেঙ খৈরিনি। শ্বর পুংফম য়েংলগা, ইশাসি ফীভম অমা শেল্লগা তম্ফাস্নানা ঐগা লেংথৈনগে তৌবা তাঞ্জাদুদা পূক্লিংগী ৱা অমত্তং খাইদোক্কে তৌরুবদা, তম্ফাস্নাগী মশাদা চাইরকপা পর্ফিয়ুম মনমনি খঙদে, মাগী জ্বাই-জ্বাই তারবা শমলাং মরক্তগী কাপথোরকপা চেঙহী মনমনি খঙদে, বুঙ লাওনা অমুক্তা নাতোন মখুনসিদা হুত্তুনা চঙখিববু হায়গে তৌবা ৱাহৈদু খৌনাওদা থোক লাওনা হারগা, ৱাহৈদি থোরক্তনা লোক খুবগী মখোল ওইনা অহু-অহু হায়না থোকখি। ঐনা লোক খুবা মতৌদুদা, তম্ফাস্নানা মমিৎ শুক্লপ, মনাতোন শুগৎ, মখূৎ খূজিন ভাইওলেট মচুগী নেল পোলিশ শঙবদুনা ঙৌরোক ঙৌবা রুমাল অমা পায়রগা মচিন-মনাতোন মেল্লগা খিত্তং থৈরপ ঐঙোন্দগী খোঙকাপ অমা অনী হেন্দোক্তুনা চৎখিবদুদা, ঐনা নংহৌররোই মতাগুম মাগী মনাক্তা থুনা চঙশিল্লগা হায়রুই,

"তম্ফাস্না, ঐ নঙোন্দা ৱা অমা হায়গে হায়না ঙাইরিসে ঙসিখক্তা নত্তে"

"করি ৱা?" য়াম্না হৈনদনা মশাদু পৈথোক্লগা খুল্লকই।

"ৱাসি হেক্তা হায়রোরা?"

"হায়য়ো কৈনো?"

"তম্ফাস্না নঙনা শাউগদ্রদি খঙদে, ঐ নঙবু তশেংনা নুংশি"

ঐগী ৱাদুদা তম্ফাস্নাদু খংনোক নোকথোরকই।

"করি নঙ ঐবু নুংশি হায়বা?"

"ঔ য়াম নুংশি, নহানখৈ হায়বা ঙমদনা লাকপনি, ঙসি নঙগী ফিজেৎসিনে, নশকসিনে, ঐ হায়দবা ঙমদদুনা হায়রবনি, রিএল্লি আই লভ য়ু তম্ফাস্না"

"গুদ, অদুদি য়াম ফরে, ঐগী লুহোংবদা নঙ কৈনো অমা মশক থোক্লা পাঙলকও"

"হা"

"শাউবা য়াদে, কুইররোই লুহোংগদৌরবনি, সনাগী লিক ওইনা শারকও কো"

"অদু য়ারোইদা"

"কৈনো য়ারোই হায়দি?"

"লুহোংখিবা য়ারোই হায়বা?"

"করিগী?"

"হোংলসু ঐগা হোংগদবনি"

"হু আর য়ু" তম্ফাস্নাদু শাউরমাল্লে, ইংলিস লোনবা হৌরক্লে।

"আই এম চাউবা, থাংজম চাউবা"

"মশকসিগা চথোহে, কায়দগী সোনো চুবনো"

"তম্ফা ঙসিদি ৱাসে অরেপ্পা অমা হায়নসি"

"থাংজম চাউবা, চথোকউ, নঙ ফরক তারক্কনি, ঐ ঙসি লুহোংবা হল্লক্লগা চেনখ্রদবনি, চেল্লমদাইসিদা মী ফূনীংদে। নঙ ঐ খঙই নৎত্রা?"

"খঙইনে, নঙ কেরেটকী ব্লেক বেল্টনি, নেসনল প্লেয়রনি"

"হো অদুনি ৱাদো ফৈরেং তুরেং ঙাঙগনু, ফজনা হায়রিঙৈসিদা চৎথোকউ"

"ঐ নঙ উবদা তশেংনা ঙাওরে, হায়নি হায়রোই খঙদ্রে। ঐনা নঙবু নুংশিরুরিসিবু, ঐনরা, থম্মোয়সিনা নঙবু তশেংনা নুংশিরুবনি"

"থাংজম চাওবা, ঐ শাউরক্কদৌরে। ঐ লুহোংবা চৎলুগে, মী মমাঙদসু ফজদে, হন্দোকউ হায়রিসিনি"

"অদু নঙ অতোপ্পদা চেনখিবা য়ারোই"

"অশ! ফরক য়াম তাখ্রেদা"

"ঐ নঙবু নুংশি হায়রিসিনি, তম্ফাস্না আই লভ য়ু, আই লভ য়ু"

তম্ফাস্না নোকফেৎ নোকফেৎ তৌরগা মাগী থম্বাল লৈখোক্কী ফনেকতু মচি-মচিদা পায়রগা থোক চিংখৎলি, ঙৌরোক ঙৌবা মখোঙদুনা হায় হীলদুগা লোয়ননা মশাদু অমুক্তং উরু-রু লৈরগা চুবাসিদা অমুক্তং বক লাউনা থারগা,

"লৈহৌরো, চৈনা খাঙহৌরো" তম্ফাস্নাদু অদুম চৎখ্রমাল্লে, ঐদি মা চৎখিবগা উহৌদ্রে। মীৎসিদা তন্দন ওইনা পাইরক্তে, মাগী থম্বাল লৈখোক্তা লোনবা খোই ময়েক্তু পরেং-পরেং উরকই। ঐনা চুবাদু নাল্লগা হৌগৎলকপদদি কনামতা লৈরমদ্রে। হুই অমনা ঐগী নাক্তা মরৈ হা-হা তমদুনা ঐবু মনম নম্মগা লৈরম্মী। হুই উবা য়াদবা কিগনবা ঐনা হুইদু উবদা খংপ্রেক অমুক খংদুনা "হোই মা" হায়না অমুক্তং চেন্থোকপদা হুইদুসু অফিং-অফাই ওইনা গৌ-গৌ হায়না ঐবু তান্নরকই। ঐনা কায়দা চেল্লিনো খঙদনা কন্না চেল্লগা য়ূম য়ৌরকখি। ঙসিসু নুমিৎতু হেক নীংশিংলগা ঐ হুমাং অনপ্পী কাংই।■

-নরেন্দ্র নিঙোম্বা

'শম্বল'

(হান্নগী মখা...) - থোইবগী করেম্নবা ৱাহৈশিং অদু তারুবদগী অঙৌগী ৱাখলদা 'মমায় অসি ঐখোয়রোমদা ওনশিল্লক্লগা ঙাঙলিবসি ঐঙোন্দা শোয়দনমক্কী ওইরমগনি, মসিদবু ঐনা তুমিন অসুম লৈশিনগদ্রা, হুম মসিদা ঐহাক্লা তুমিন্না লৈশিল্লগদি তুংদসু মানা ঐবু উশিৎখ্ররোই, মসিদি চঙশিল্লগা হেক্তা মায়োক্লরগে' হায়না খল্লদুনা থোইবগী মনাক তম্না চঙশিল্লক্লগা,

- তা থোইবনা ঙসাইমখৈ ঙাঙবীরিবা ৱাদু কনাদনো? ঙাইখো, নঙনা পাল্লিবা অসি করিনো, ঐনা নঙোন্দা করি অকায়বা থবক চৎখ্রে?

- ইবুংঙো অঙৌ, মতাং চাদনা ফিংগৎলক্কনু। ঐ নঙোন্দা করিসু হায়খিদে।

- ঐনা ফিংগৎলকপগী মরম তা থোইবা খঙবীদবরা? ঙসাইমখৈ ঐখোয়রোমদা ওনশিল্লগা ঙাঙলিবা ৱাশিং অদুদি করিনো?

- এহ... অদুদি ইথন্তা ঙাঙজবনি। অঙৌ কা হেন্নসু অকল-অরিং শিংলক্কনু, অফবা ওইরোই।

- করি, অফবা ওইরোই কায়না। নঙ কয়া য়াম্না ফাওবা মিশকনো? অদুগা নঙনা তৌরিবা থবকশিং অদু ঐনা খঙলল্লোই হায়না খনবরা? ঐহাক্তা নত্তে, লৈকায় অসিদা লৈরিবা মীপূম খুদিংমক্লা নহাক অসি নুংথিলদা শাগুন তৌবা নুপানি হায়বসি খঙলিবনি।

- এহ... ঐবু নুংথিলদা শাগুন তৌবা কায়না, অদুদি ঐনা শাগুন তৌখিবা মফমশিং অদু নহাক্লা পুথোকরক্কদবনি, নৎত্রগদি ঐ কনানো হায়বদু খঙহনবা তারে।

থোইবা ইমুংলোমদা ওনশিল্লগা মাগী নুপী চাউবীদা -

- চাউবী তারিবরা নঙবো, ঐগী লুখুমদা লৈবা লিচৈ অদু অমুক্তা পুথোরকউ, ৱারকপীনবা লৈত্রবা মীসি অমুক্তা ৱারক্কে।

- থাবলৈ নঙগী দুকান্দু ঙাইহাক লোনশিল্লন্মু, অদুগা মফম অদুদা লৈরিবা ঐগী থাঙ অশাংবা অদু অমুক্তা পুথোরকউ, ঙসিদি অঙৌ কনানো হায়বদু খঙহনগে। -মথং-মথং

-কোংখাম চন্দ্রমনি

তেংবানবা তাইবঙপানবা ওইরকপা অমসুং মীতৈ হৌরকপগী ৱারী -১০

হান্নগী মখা... মনীংতম্না মথং-মথং শাবা লোইরদুনা মপাবুং সোরারেনদা কৎসিল্লে। সোরারেন লাইনিংথৌনা পূন্নমক চুমলে, ওইরে হায়না লৌশিল্লে। উরি-উপাল, হৈপাল-লৈপাল, উহৈ-ৱাহৈ, উ-ৱা, উরি-ৱারি, নাপি-শিংবী, মনা-মশিং, ফৌগী ফৌপাল পূন্নমক মশীং অমত্তা ৱাত্তনা মফম-মফম খুদিংদা শিনথুংনা লাইনিংথৌনা হৌহনখ্রে। তাইবঙ য়োক্লবগী ফুহিংসিনা ৱাৎতনবা শেমখ্রে। ঈশিংদা লৈবা ঙাগী মখলসু ৱাৎতনবা শেমখ্রে। মথং-মথং তৌদুনা তাইবঙ অচৎপা-চৎতবা, শা-ঙা, শাহিং চাবা, তুমিৎ-কাঙনচিংবা পূন্নমক ফুহিংসিনা শেমখ্রে। শেন্থা শাবা পূন্নমক সোরারেননা থৱায় লোইনা হাপ্তুনা তাইবঙ উমং লৈকোন্দা মাগী-মাগী মফমদা লৈহনখ্রে। মসুন্না ফুহিংসি পারিহন্না মথং-মথং শেন্থা শাবা লোইখ্রে। ফুহিংসিনা শেন্থা খুদিংমক লাইনিংথৌ সোরারেননা লোইনা য়াখ্রে। মতুংদা পারিহন য়েংদুনা তাইবঙ মী শেমলো হায়না সোরারেননা হায়খি। তাইবঙ মী শেন্থদি পূক্লিং চঙনা শাগদবনি, তহা-তহা তৌগনু হায়নসু তাকপীখি।

মপাবুংগী য়াথং ফংবদা ফুহিংসিনা তাইবঙ মী শেন্থা হৌরকই। পূক্লিং চঙনা তৌদুনা মচাক-মচন পায়দুনা মওং অমা শাখ্রে। মওং অদু মপাবুং সোরারেন্দা কৎসিল্লে। 'তাইবঙ মী' ওইরে হায়দনা। পারিহন ফুহিংসিগী মওংদু মুন্না য়েংলগা সোরারেননা হায়রকই, তাইবঙ মী হায়বসিদি য়াম্না ফজগদবনি। লাই ঐখোয়দগীসু হেন্না ফজগদবনি। -মথং-মথং

-নিংঙোম্বম অমর (সিলহেনবা)

মতম মতমগী ৱাফম

কোরোনানা কোনশিন্দুনা কুম কাংহনবীখ্রবা কাং

পূন্সিসে খঙহৌদে, নোং অমুক ঙান, নুমিৎ অমুক তাখিবগী মশীং থীবা ওইরমগুম তৌই। ঐনা মীরোল তারকপদগী উরক্লবা ইঙেনগী নীনি পানবদা চিংবা কাং হন্দক চহী অসিগী ওইনা কোরোনানা কোনশিনবীখিবদগী কুম কাংখিবা কাং হায়বদু ওইহল্লরি। পূন্সিদা অমুক্তা থেংনরকখিদবা তাঙনা থোকপা থৌদৌ অমনি । মীওইবসিসু মখল য়ান্মী। কনাগুম্বা চহী খরা লীজনিংবা, অহল শাবীনিংবা খরনা মশাগী চহী নৌরি হায়বসি খঙহন্নীংদবদগী চহী হায়দোক্তবসু লৈখি। খরা অমনা অমুক চহী য়াম্লে হায়বসি খঙহন্নিংদবদগী চহী হায়দোক্তবা য়াওই। ইকায়খুম্নজখিবা লাইশ্রম বীরেন্দ্রকুমার, ম্যুজিকোলোজি ষ্টনদি ঙসিদগী চহী খরগী মমাঙ মহাক্না হিংলিঙৈদা চহী কয়া শুবীরবগে হায়না হংলুবদা কুন্থ্রামপাল (৩৯) শুরে হায়না করিমত্তা খন্দনা ইলায় লায়না হায়রকখি। ময়াম্না তাবদা ওন্নরব্রা, অসুক অহল ওইরবা ওঝা অসিনা মশাগী চহী কুন্থ্রামপালখক্ত (৩৯) শুরে হায়রিবসিবো হায়না ঙক্লখি । অমুক হংলুবদা শাওরমদবা অহল ইবুংঙো লাইশ্রম বীরেন্দ্রাকুমারনা শাউনা খুমলকই, 'চিলসিনা পন্নিংদে হায়খিবা চহীদো মনিং মমাঙ ওন্থোকউ' হায়বীরকখি । কাইনথংদা ৱাখল লাকখি কুন্থ্রামপাল (৩৯) না মনিং মমাঙ ওন্থোকপদা মরিফুতরাহুমদোই (৯৩) তারম্মী। চহী য়াম্বগী শাউনিংদুনা পন্নিংদবা ওইরম্মী। মতাংসিদা ঐগী অবোক নীংশিংলকই। ঐখোয় অবোক্কী মিংদা কনাগুম্বনা শোরাৎকী চেবাউ (লৈকাই বার্ত্তন) পীরকপদা অবোক্লা শাউনিংখি । শোরাৎকী বার্ত্তন উরগা অশিববু নীংশিংহল্লি হায়দুনা মায়থোঙ নুংঙাইখিদে। চহী য়ামশিল্লকপা মীশিংনা চহী য়ামশিল্লক্লে হায়রুবদা হরাউনদে। অদুবু মতম্না ফাজিন্দুনা লৈবীয়ু য়াবীদবনিনা, চহীসিদি খঙহৌদে। ঐখোয় ফাওবদা মীনা 'ওঝা, পাবুং, অহল' হায়না কৌবনা হেন্না মশীং য়ামশিল্লক্লে। শাউনীংঙাই লৈতে মতম্ননি। অঙাং ওইরিঙৈ পূন্সি নীংশিংলকই। ঐদা নত্তে মীপূম খূদিংমক পূন্সিবু হঙ্গৎনা য়েংলকপদা হৌখিবা কয়া শোয়দনা নীংশিংবীরমগনি। হৌখিবা পূন্সিবু নীংশিংলগা নুংশিবা শোয়দনা ফাওবীরমগনি। মীপূম খুদিংমক মাগী মাগী হৌখিবা পূন্সিগী মান্নদবা ৱারী অমমম লৈনখিবা ঙাক্তনি।

ঐখোয়সে অঙাং নৎলকত্রে। চহী য়াম্নরে। হন্দক্তি পূন্সিদা অমুক্তা উখিদবা কাংগী নুমিৎ উখি। কাং চিংগদবা নুমিৎ মরি/মঙানিগী মমাঙদগী লৈকাই লৈকাইদা কাং পানখৎনদুনা লম্বী লমজাওদা কাং চিংথোক্তুনা থম্বদু অমত্তা উখিদ্রে। কাং নুমিৎতা জগনাথ লেঙথোক্লকখিদ্রে। জয় জগনাথকী ঈশৈ সনা সরক্তা, লৈরক খুল্লক্তা শক্লখিদ্রে। কাং চিংবগী ঈশৈদি লায়রদনা লৈকাইগী বামোন লাইশঙদগী কাংশি ফাওবা ঐগ্যানা খিংলকখিদ্রবনি। অসুক শাথীরবা, কোরোনানা কিনরবা লোকদাউন হায়বদুনি।

মতম অমা, ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈগী কূম্মৈ ফিয়েংশিং অসি য়াউশং, চৈরাওবা, কাং, কৃষ্ণ জন্ম, থৌরাণী জন্ম, অগষ্ট ১৩, অগষ্ট ১৫, দুর্গা পুজা, স্বরসতি পুজা, হৈক্রু হিদোংবা, হরিউত্থান, মেরা ৱায়ুংবা, দিবানিতা, নিংঙোল চাক্কৌবা অসিনচিংবশিং অসিখক্তনি । হিন্দু, মৈতৈ, নাৎ কলচরগী ৱাফম থোইনা খন্নখিদে। খল্লুবসু তৌখিদে। অঙাং ওইরিঙৈদা ঐখোয়দি পংনুংদা নুংঙাইখি। মীগী মপোৎ, মীগী কূম্মৈ, মীগী মনাৎ করিমত্তা খল্লুদে। ঐখোয়গী ইপোৎ ইরল ওইনা লোয়নমক খঞ্জখি। ঙসি ফংলিবা মপানগী ওইবা অচাপোৎশিং অসি ঐখোয় চাবা ফংলকখিদে, খঙসু খঙলকখিদে। মঙ্গল অঙৌবা নয়া পৈশা তরাগী লৈরুবদা ফুরিৎখাও পীক থল্লি। লৈকাইগী ইনে কুঞ্জেনা ওল্লগা পীরকপা মঙ্গল, চনা, নূংহৱায়গী কৌটাদু মিৎতা উরি। চুজাক কবোক লুপা মঙাগী ঐখোয় মী মরি/মঙা চাবা ওকই। কবোক খোইদুম অচৌবা অমদা নয়া পৈশা তরা অমদি খোইবাক নয়া পৈশা ২৫গী (শিকি) গী ওক্লবা চাবা ফংখি। লৈবাক হৱায় হৈঙাল, মঙ্গ্রা, চু তাঙ্কক, থাংতুপ মহৈ, বোরোই হৈঙাল, চোরফোন হৈঙাল, শীংজু অসিনা মরুওইবা ঐখোয়গী অচাপোৎশিংনি। মরক মরক্তা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা হাইগৎলগা নুমিদাংৱাইরম ইমান্নবশিংগা অবোক কেলিচনা য়োনবীদগী কংঙৌ লৈরগা চারুই। চিনি অঙাংবা মপাক অমদা শিকি পী। (শিকি অমা হায়বসি নয়া পৈশা ২৫নি) গৌড় মিথায় হায়না খঙনবা মতুম তাবা মিথাই চারকখি। কোমলা মশুং মানবা মিথায় মমিংদি কাউখ্রে চারকখি। ঐখোয় চোকলেৎ মিথাই মশক উরক্তে, চারক্তে। মঙ্গে মহী, হৈমাং মহী শেল্লগা থিৎলগা থকলকই। চেঙ কবোক ঙৌরগা, চেম্পাক শুরগা চানৈ। অচাপোৎ হায়ববু সি মঙাইরে। অচাপোৎ হায়বসি অঙাংশিংগী ওইনা তৌরকই।

য়াম্না নুংঙাইখিবা কাউঙমদবদি-কনাগুম্বগী ষষ্ঠি পুজা, শোরাৎ, লুহোংবদা অঙাংশিংগীদি ফ্রী এন্ট্রিনি। শোরাৎ, লুহোংবদা অঙাংগী বার্ত্তন তৌনদ্রবসু মতম অদুগী অঙাংশিংদি য়াম্না হরাউনা লোইনমক্তা ইচিন ইনাও, ইমান্নবশিংগা পুল্লপ-পুল্লপ য়াওবা চৎলি। শোরাৎ য়াওরুবা য়াই অতৈগী নত্তে অচাপোৎ চাবনি। শোরৎ মফমদা, ষষ্ঠি মফমদা অঙাংশিংগী হান্না অরাংফমশিংনা তোঙান্না য়েনবীখি। অঙাংশিংগী চাকলুক থারে সোমদা লাকও হায়দুনা শোরৎতা পরেং শানা তোঙান্না মফম অমদা পুথোক্তুনা ফমহল্লগা শোরাৎকী ফলা, তল য়েল্লকপা নীংশিংলি। অঙাংগী হান্না শরুক তম্মী, অঙাংশিংগী মফম অমা লৈহল্লি। শোরাৎতা তলগা য়াওরল্লগদি ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা য়াম্না নুংঙাইখি। অয়াম্বনা শোরাৎতা চেম্পাক তৌনরকই । চালুক লোনবা চৎনরকই। চালুক লোনবদি কাংগী খেচ্রি চাবদনা হেন্না তৌনরকই । চালুক লোনবসি আর্ট অমা ওইনা ঐনা উখি। হৈ শিংবা চংঙি। ঐখোয়গী ইমান্নবা লেঙ্গাশিংগী ওইনদি তৌরক্তে। ইথক থোংবা, খরা লাংবা কাঙবুনা চালুক লোনবসি তৌনখিবা মাল্লি ।

হন্দক চহী অসিগী ওইনা, কোরোনানা কুম কাংহনবীখ্রবা কাং অসি উরুবদা মতম অমগী অঙাং ওইরিঙৈগী কাং অমুক হন্না নীংশিংলকই। অঙাং ওইরিঙৈদা ঐখোয়না ঙাঙনবা লোলসি শেংদে, জয়দেব ঈশৈ শক শোনববু 'চোইদেপ চোঙবা' হায়নরকই। লৈকাইদা লৈরম্বী ময়াম্না সলাম অবোকসি/ইনেসি কৌনখিবা অমনা মকোক চিংলগা লৈকাইগী মৌ, লৈশাবী ময়াম অরীবম মান্দপ্তা চোইদেপ চোংঙি, চাউনা চোঙবা উখি। অরীবম বামনগী শাগৈসি মতমদুনা খূৎলিংঙি। পৈশাসু পায়বা মাল্লি। 'চোইদেপ চোঙবা' য়াম্না শাংঙি অঙাং ওইরিঙৈদা ঐখোয় ঙাইবা ঙমখিদে। চোইদেপ চোঙবা লোইরগা মান্দপ ময়ায় চেনশিন্নদুনা খেচ্রি য়েল্লকপদা ফমলুগদৌরিবনি অদুগা চাগদৌরিবনি। কাংগী খেচ্রিদি পুখমদা হাপ্পদে, থম্না মথক্তা ফোং-ফোং শাবা খেচ্রি য়েন্দুনা হাপলক্কনি। উসোয়গা মঙ্গল মপূমগগী পুংবা চারবা উতিনা খেচ্রিগী মথক্তা হৈথরক্কদৌরিবনি। পৈশা পায়বা ইমুংনা পালি পুবা নুমিৎ থেংনরুরগদি শগোল হৱায় মকু ঙৌনা খোকলগা থোংবসু য়াওরকই, চনা কংঙৌ য়াওই। মান্দপ অমদা পুক থন্নবা খেচ্রি চারবা অদুমক্তদা অতোপ্পা মান্দপ অমদা কাংগী খেচ্রি চাবা নঙনবা চেন্নরিবনি। কাং মনুংদা শুন্মাং লীলা য়াম্না তৌনৈ। শুন্মাং লীলা অনৌবসু কাং মনুংদা ফোঙনখি। কাংগী থৌরম নোংমখক্তগী থৌরম নত্তে। চোইদেপ চোঙবসু নোংমখক্কী নত্তে। নুমিৎ ৭/৮ নি চোইদেপ মফমদা খেচ্রি ঙাইনরুগদবনি।

ঐখোয় নুপামচাশিংনা কাংগী চৎপদি খেচ্রি চানবনি। কাংলেন নুমিৎসি নহালখৈগী নুমিৎতগী খরা হেন্না চাউনা খেচ্রি তৌই। মী য়াম্না তিল্লি । কাংগী নুংঙাইবসি করিনো হংলগদি ঐদি খুন্থা ঙমলোই। ইমান্নবা অমা লৈরমখি ঙসিদি মহাক লৈখিদবা কুইরে। কাংগী নুংঙাইবসি মহাক্কী ওইনদি ঐখোয়দগী তোঙাল্লি । মহাক্তি মশা নাল্লি। কাং নুমিৎতা সাইকল তোংলগা মাগা নুংশিনজবা নুপী উন্নবা চৎখি। হল্লকপদা মাগী খুদাংদা ফৌ পরেং, মঙ্গল পরেং শীরগা লাকই। মাগা নুংশিনজবা লৈশাবীনা পীরকপনি চাউথোক্লা তল্লে। ঐখোয়দা উৎলখি। কাং মনুংদা নুংশিনজবা নুপীগা থমচেৎ চাবা চৎমিন্নবা, ৱাকয়ৈ হি তোংম্নিবগী ৱারীসু তাখি। চুম্মী, কাং মনুংদা পাখং লৈশাবী পুল্লপ-পুল্লপ মখূৎতা অশাৎপা থম্বাল পায়রগা অঙ্গুর পরেং অমদি থমচেৎ মরূ পরেং শীরগা চবল-চবুল চৎনবা উরকখি। অসিগুম্বা মওং অসিমা ঐখোয়না খঙলু দ্রে। ইনক নক্লা কোনুং কাং চিংবা হায়বসিফাওবা য়াওরকত্রি, উসু উরকত্রি । ওল ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফালনা কোনুং কাং চিংবগী মিৎনা উবা পাউদম শন্দোকপদি শোয়দনা তারকই। ময়াম্না বাবা কৌনবা ইকায়খুম্নজখিবা বাবা ওইনাম বীরমঙ্গলনা ওল ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফালনা শন্দোকপীবা কাং চিংবগী পাউদম য়াম্না তারকই। বাবা ওইনাম বীরমঙ্গলগী কাং চিংবগী পাউদমবু রেডিওদা তারবদি কোনুং য়ৌরুদ্রগসু য়ারে । মহাক্কী পাউদমনা রেডিও তানা তানা মিৎমাংদা কোনুংকাং চিংবা অদুম উহনবা ঙম্মী। '..শ্রীশ্রী গোবিন্দ...জয় জগনাথ..বলভদ্র মচিন মনাও...' অসুম্নগা হায়বীরকপদা লূম-লূম লাওবা খোন্থোক্তা ওন্থোক্লা পেন্না ময়েক শেংনা পাউদমখিবা ঐখোয়না খঙলকপদগী অদুম রেডিওদা তাদুনা লাকখি।

লমদমসিগী ইঙেনগী কাং মনুংদা থম্না মনাগা খেচ্রিগা হেক থেংনবদা ফুং লাওনা মনম নুংশিবা অমা ফাওরিবসি জগনাথ খেত্রদদি নমলমগদবা মান্দে । হৱায় মঙ্গলগা উসোয়গা উতিগী পুংবা শেন্থদা ফংলিবা মহাউসি জনাথ পুরিদা লৈরমগদবা মান্দে । লমদমসিগী ৱাখোঙদগী ফুকলকপা শেংখ্রবা উসোইগা, ইখুৎনা ফৌ চক্রি তকচদুনা, শুন্থলদা ফৌ শুজরগা, য়াঙকোক্তা ইমানা খপ্লগা থৌরাংজবা অশেঙবা মৈতৈগী চেঙ মচংবু জগবন্ধুদা য়ূমগী মৌনা এন্সাং-নাপি মরোই -মপাং, হৈ-লৈ খরগা লাইগীনি হায়না খেচ্রি হৌনবা কৎনবা চৎপদু ঙসিসু নীংশিংলি। মৌনহা লৈশাবীনা ফজবসি কাং মনুংদা য়াম্না উই। ফিশেং শেৎলগা পিথ্রাই পুখম নৎত্রগা কোম্পাক মচা অমদা অথেনপোৎ, অশেম্বা হৈরুক খরা হাপ্পগা লাইদা কৎলুনি হায়দুনা য়ূমদগী থোকখিবসি উবদা অশেংবা লাইমক্লা কুবিরগনি খনখিবা মীৎকুপ কয়ানি। জগনাথ খেত্রদগী ঐখোয়গী কালেনগী লাইবুংনা, ঐখোয়গী ইঙেনগী লাইশঙশিংনা হেন্না অশেংবা মফম ওইনবু উরকখি। হিজম অঙাংহলনা মখোয়গী মতমদা উখিবা কৃষ্ণ জন্মগী শক্তম অমবু মহাক্কী খোরিরোল 'জহেরা'দা য়েকলকখিবা, মতাং অসিদা অমুকসু নীংশিংলকই ? কৃষ্ণ জন্ম নুমিৎ অমদা মৈতৈ পাঙল চনু জহেরানা লৈকাইগী মৈতৈ নুপী ইবেমচা কৌবী অমগা লোয়ননা অশেংবা মৈতৈগী ফি শেৎলগা লমজাওদা থোকলকখি। মহাক্কী ফজবদা মৈতৈ পাখং ময়াম্না ঙাওনখি। মহাকবি অঙাংহলনা য়েক্লিবা শক্তম অদুদা ঐনা অমুক ঐগী ওইবা শক্তম অমদা জহেরাবু য়েক্তুনা শাগৎখি। জহেরাগী কুচুবু লফু লৈয়োন মচু ওইরমগনি খনখি। নাতোন তুমতক, কোইদানবা মায়থোঙগী লাইবক্তা হিন্দুগী চন্দল অশাংবী থিলহল্লি। ময়াংলংগী পুংঙৌফনেক উরৈরোম হায়ফেৎ চঙবা অমা শেৎ, পাম্বোম মকক্কী মুগাগী লংনা শাবা ফুরিৎমচা অমা লিৎ, ফি মচা অমা ইলহননিংখিবনি। মসিনা অঙাংহলগী ৱাখলগী শাগৎ ৱারীদা ঐগী ৱাখলনা লিশাং থাদুনা তোংশিল্লুবনি। অসুম্না কাং নুমিৎকী ওইনসু ৱারী কয়া খুল অমগী লৈকাইগী পাখং লৈশাশিংগী থৌদোক ৱারী লৈনরম্বা য়াই। মতমদুগী চম্না ফজখিবা অশেংবা নুংশিৎনি । অমুক হন্নদি লাক্লরোই। কাং নুমিৎসে লমজাও সরক্তা লৈশাবী মচা, পাখং মচা য়াম্না চৎলি মরম লৈরমগনি।

হিন্দু, মৈতৈ, পাঙ্গল হায়বা থিদনা লাইনীং লাইশোলগা মরী লৈনবা থৌরমদা মীয়ামগী মীৎয়েং থমফম অমা ওইহনলিবসি ঐখোয়গী লমদমসিগী নুপীশিংনা ফিশেং শেৎতুনা থোকলকপদা মতমদনি। মসি চাউথোকচনিংঙাই অমনি, ইচে ইচলশিংবু অৱাংবা থাক্তা থমগদৌরিবসি মতাংসিদনি। কনাগুম্বনা লান্না শীজিন্নরবা মতমদা ৱাথোক হেক হেক লাকই। মহাকবিগী ৱারী মপূম (নোভেল) জহেরাগী ৱাথোক ওইখিবা মতাংসি জহেরানা কৃষ্ণজন্ম নুমিৎতা ইবেমচাগা লোয়ননা মৈতৈগী ফি শেৎ চারগা থোকলকখিবদা মৈতৈ পাঙলগী খুন্নাইনা শাউনখিবদু অসিদনি। কৃষ্ণ জন্ম, কাং মনুংখক্কী ৱা ঙাক্তা নত্তে। লৈকাইগী লাই হরাউবা নৎত্রগা লাই-তিনগী থৌরম অমদা মৈতৈ নুপীশিং- ইমা ইবেন, ইচে ইচন, য়ূমগী মৌনহাশিংনা ফিশেং শেৎলগা লাইশঙ তম্না হৈরুক কাবা চৎপগী ফজবসিবু মালেমগী করম্বা অতৈ মফমদা লৈরমগদগে ? মৈতৈ নুপীগী ফজবসি মতমসিদা উবা ফংঙি ।

নীংথিজখ্রবশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা হিন্দু লাইনীংগী কাং চিংবা কুমসি চহী অসিগী ওইনদি উবা ফংদ্রে । অপূনবা মীৎয়েংদা য়েংজবদা, অসিগুম্বা লমদমসিগী ফজখ্রবা কয়া অসি ঐখোয়না তোঙান তোঙন্নবা ৱাখল, মিৎয়েংদা য়েংনদুনা মাগী মাগী লাইনিং লাইশোলনা (ধর্ম্ম) মরম ওইরগা অমগা অমগা য়েংথীনহল্লিবসি থাদোকপা চংঙি। লানগী মতম, লাইচৎ অমনা লাকপা মতমদদি ঐখোয়না ধর্ম্ম, লাইনিং লাইশোল কাউরকই, তোঙান্না উরক্তবগুম অমত্তা ওইবগী লীপূন অমনা শাগৎতুনা কোরোনা লাইচৎতগী ঙাকথোক্লবা লাম্থেংমিন্নরি। মতৌ অসুম্না ঐখোয়গী নাৎকী ইরলশিংবু হিন্দু, মৈতৈ, চীংমী, পাঙল খায়দনা ধর্ম্ম, লাইনিং থিদনা অমত্তা ওইনবা কোনশিন্নদুনা নুংশিননা লৈমিন্নবা ঙল্লবা মতম অদুতদা ঐখোয়গী নাৎকী পোৎশকশিং মীতোপকী ওইখিবা য়ারোই। পূন্নমক ঐখোয়গীনি, লমদমসিগীনি হায়বসি লমদমসিদা কোরোনা লাইচৎনা ঐখোয়দা তাক্লবগুম তৌরি। কোরোনাগী লায়নাদুদি পামদে, অপূনবা অমা শাগৎহল্লিবা অসিদগীদমক্তি নুংঙাইজৈ । ■

- মাখোনমনি মোংসাবা

শরৎচন্দ্রগী শ্রীকান্ত (৩শুবা)

লোই থাবা

(বেঙ্গলগী উপন্যাসকার শরৎচন্দ্র চট্টোপধ্যায়গী বাংলা লোলদা ইবা 'শ্রীকান্ত' পু অরুনা চক্রবর্তি, প্রিন্সিপাল, - জানকি দেবী মেমোরিএল কোলেজ, দিল্লিনা ইংলিসতা হন্দোকপা লাইরিক্তগী ডা. কুঞ্জেশোর তেনসুবনা মণিপুরীদা হন্দোকপা)

ডা. কুঞ্জেশোর তেনসুবা

(হান্নগী মখা চথজরকপা...)

ন

নহারোলশিংদি কান্নে-কান্নদে খঙদনা থবক পঙতৌ মতৌবনি। য়োংগী মচা কনানবু মদু তৌদবা য়াওবগেনে? ঐগী ইনাও নুপাগী মতাংসিদদি ৱাফমসি ময়ামগী তৌনরিবসিদগী খরা হেন্না লুশিনখ্রে, ৱাফমদু ঐসু অদুম য়াজৈ। অদুবু পাখং ওইরকপগী ঈরাংগী ইহুন্দা অশোয়বা থবক মচা অমা তৌরুবগীদমক মাগী শাংখ্রবা তুংগী পুন্সিদুবু অরেম্বদা মাঙহনবা, কথোকপা তাব্রা? মাবু লৈফম মরৈবাক, মমা-মপা, ইমুং-মনুং লৈজদবা মীশক্লনে? মমা-মপাগী মনাক্তা অমুক হঞ্জরকপা, ময়ূম-মকৈ পাঞ্জবা, মচা-মশূ ফংজবা, লোয়ননা খুন্নাইদা লেমজনা হিংজবা হায়বসি মাগী মরুওইবা ৱাফম ওইদব্রনে। কানাগুম্বা খরদি য়াম্না শাথীবা মরাল লঙজরুবদগী ময়ূম থাদোক্তুনা চৎনৈ। ঐনা খঙজবা ফাওবদা, কনাগুম্বা মী খরদি মখোয়না য়াম্না নহা ওইরিঙৈ, য়াম্না হে তোংলিঙৈ মতমদুদা য়েনশা চাবা ফাওবা য়াওখি। মখোয়দু চহী খরা য়ামখৎলক্লবা অমসুং লৌশিং খরা তারল্লবা মতমদুদদি মখোয়না তৌরুরিবদু লানখ্রে হায়বা মশানা য়াজবনি। অহল অমা ওইনা ঐখোয়না মখোয়সিবু ঙাকপিদুনা মখোয়গী মরালদুবু কাউথোকপিফম থোক্তব্রনে? মদু তৌবদুনা ঐখোয়গী মিংচৎ, মতীক মগুন হেঙ্গৎহনদৌরিবনি। ঐনা হায়জখ্রিবসি, অদোমগী হান্নগী পূক্লিংগী পামজবী নত্ত্রগা তাথীবগী ৱাখলদু য়াওদনা অমুক্তা খন্থবিয়ু অদুগা ঐগী ৱাসি চুম্ব্রা- লানব্রা হায়বিরকউ।"

চমজরবী নুপী অমগী নুংশিববু শেরান্নরা শীজিন্নথোকপিরগা খোঙ্গাওন্দুনা হুন্দোকপিরম্বদগী য়েনশা চাবসিনা হেন্না ফত্তবা শাথীবা মরাল ওইনা উবা মাগী ৱাখলদুদা ঐ খংপ্রেক খংনা নীং হন্নবা অমা পোকখিদুনা ঙাহাক্তংদি ৱা ঙাঙবা থোকখিদে। ঐগী থবক চৎপা মতম ওইরল্লদুনা ৱা মচেৎ অমত্তা হায়রমদনা ঐ থোরকখি।

নুমিত্তুগী নুংদাংৱাইরমদা ঐনা অমুক হন্না চৎলুবদা ভদ্রলোক্তুনা ঐঙোন্দা লূরুক্লনা য়েংলগা হায়রকখি, "অদোম্না হায়বিখিবা ৱাদু মুন্না খন্থজরে, চুম্মী। ঐখোয়না মাগীদমক হান্না খরা শেন্থিরমফম, তৌবিরমফম থোকই, অদু নত্ত্রবদি মানা ঈরাং থোকহন্দুনা ইনাও নুপাসি চৎখিবা য়াহল্লোইদৌরিবনি। মনাতোন নম্বী হূইবীশিংসিবু ঐনা থাজবা থম্বা ঙমদে। মখোয়সি অচুম-অরান খঙদবী, ইকাইনাইদবী অমদি লমচৎ য়াওদবী নুপী ঙাক্তনি। মখোয়সি মী নত্তে, শানী!"

মাগী ৱাফমদুদা ঐ য়ানিংঙে, অদুমকপু মখোয়গী থৌওংদুদা অচৌবা সরৌ অমদী লৈরে হায়বসি করিগুম্বা অমনা ঐগী পূক্লিংদা কন্না ফাওহল্লি। মখোয়না চথরিবা থবক্তু কয়াম তমথীখ্রবা, ইকাইখঙদবা অমসুং মশাগী শাথীনা ওইজবা থিবা থবক্লো হায়বদু ঐখোয়না জাহাজ থাবা ঙাইরিঙৈ মতম ঙাহাক্তুদা -মখোয়গী চৎলমদাই নুংথিলগী মতম অদু খক্তংদুদা খঙলকখি। নুমিত্তু নোংমাইজিং ওইবনা অদুগা অতৈ অতোপ্পা অরুবা থবক কয়াগা লৈতবনে, ঐ মচিন-মনাওবু থিন্দোকপা হিথাংফমদুদা চৎলুই।

ৱাখলদি ইমান মান্নবা মওংদা খন্নরদুনা হিথাংফমদা লাক্লরিবা মীয়ামদুগী মরক্তা কবো মৌদুসু মাগী পীল্লিবা মনাওদু মখূৎ শন্নদুনা লেপ্পা য়াওররি। মহাক কপ্পদা মমীত্তু ঙাংলে অমসুং পসোৎকুম ঙৌবা মমায়দুদা লৈরিবা ময়ি খুদিংমক্তুদা ফাথবা ঙমদ্রবা অৱাবগী মমি তারি। মাগী মপুরোইবা নহাদুদি মাগী তুরংউপুশিং, বেদ্দিং, একাগাড়ি অমসুং অতৈ পোৎ-চৈ কয়া কুলিশিংগা লোয়ননা জাহাজদা হাপ্পবা কন্না হোৎনরি। মপোৎ-মচৈ অমত্তা চিংখদনা হাপকত্তুনা শোয়দ-ঙামদনবা থল্লবা তুংদা মহাক্লা কপ্লিবী নুপীদুগী মনাক্তা লাকখি অমদি তাৎকি বিদায় অমা পীননবা তৌরকখিবা মওংদু উরকপদা ঐ হায়ফম খঙদনা হৈনদবা তুকচ্চবা ফাওরকখি।

থবক্তু মানা তৌদবা ইয়ামক য়াদ্রবরা অমদি অদুম তৌদুনা মাগী মুৎনাইদ্রবা থৱায় মিরেল অদুবু করিগী লৈখাতানা মহাম তাহনগদৌরিবনো খল্লুবদা ঐ হঞ্জিন হঞ্জিন ঙক্তুনা লৈখি। চুম্মী, নুপীদু মানা লুহোংদুনা লৌখিবা নত্তে। অদুম ওইনমক, মহাক নুপীনি, নুপাশিংগী অসুক্কী মতিক তাংজফম মমা ওইবীশিং, মচল-মচে ওইবীশিং অমসুং মচা ওইবশিং কয়াদুগী ফূরুপ মনুংদুদা চল্লিবীনি।

চহী মরি চূপ্পা মখোয় পূন্না লৈমিন্নখিবদুদা মঙোন্দা মশাগী খোঙফম লেঙদনা মপুরোইববু নিংজবা অমসুং মথম্মোয় লূপ্পা নুংশিজবা ঙৌৎখিবনি। মাবু কৈদৌনা করেম্নবিগদৌরিবনো অমদি মাবু থাদোকপিরম্লবা মতুংদা মীয়াম্না মঙোন্দা করিগী খূবাক খুদুনা নোক্লহনবিগদৌরিবনো? -মথং-মথং

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।